পাউদম

# অশাংবা কম্ম্যুনিকেসন

লেনিন

**ইন্দিয়াগী** লৈরিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী লাইরিক লৈগন্দবা অমসুং পাগন্দবা ষ্টেট অমা হায়বা তারবদি মণিপুর শোইদনা ওইগনি। তোঙান তোঙানবা জাতি কয়ানা পুল্লগা মীওই লাক্ষ ২৭ কী মথক্তা লৈরবা ষ্টেট অসিদা তম্ন-লাইরিক নত্তবা মীতৈলোনগী লাইরিক অমা পুথোকপা মতমদা মশীং ১০০ শুনা লৈবীনবা মী পাক্লা লৈতে। অহানবা নম্বদা মশীং লিশীং মঙা তরাগা নম্বদি লায়রদনা লিশীং অমা য়ৌনা নম্বা ঙম্লরক্ত্রে। নম্লুরিবা খরদং অদুসু মমল লৌদনা য়েন্থোকখিবা নৎত্রবদি চহী কয়া মিরাং থুদুনা অইবগী য়ূমদা লৈ। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা পব্লিসর ওইগনি হায়দুনা চোংথোরক্লিবা মীওই/ফার্মশিং অসিমক থাগৎতবা ঙমদে। শীংনবা অমা য়াওনা খোঙ থাংজিনবা নৎত্রবদি তুংকোইবসু ঙমগনি নীংদে। মতম অমা পি এস পব্লিকেসন্স মণিপুরগী মমিং য়াম্না তারম্মী। লাইরিক কয়া ফোঙলম্মী লোয়ননা চহীগী ওইনা পব্লিকেসন্সনা ফোঙবা লাইরিক কয়া লন্নাই লূপশিংদা য়েন্থোক্লম্মী। লাইরিক মেলা কয়াদা ষ্টোল হাংদুনা লাইরিক য়োল্লম্মী। মণিপুরদগী হেন্দোক্তুনা আসাম, ত্রিপুরা, বংলাদেশনচিংবা মফমদা পাঙথোকপা লাইরিক মেলাদা ষ্টোল হাংলম্মী। ঙসিদি পব্লিকেসন্স অসি মমি শামখিবগুম তৌরে। অতোপ্পা পব্লিসর খরসু মতম শাংনা চৎখিদে। মসিগী মরু ওইবা মরমদি মীয়াম্না লাইরিক লৈবগী হৈনবী লৈনদবদগীনি। শেল কয়া চঙনা লাইরিক নম্লুরগা য়োন্থোকপা ঙমদ্রবদি পব্লিসর ওইবা তোকখিবা হায়বসি মশানা তাজরবা ৱাফমনি।

হৌজিক পব্লিসর অহুম, মরিদি মশা খীংনা থবক তৌবদি উরি। রাজ পব্লিকেসন্স, নম্বোল; পব্লিকেসন দিভিজন ওফ মপাউ, ইম্ফাল; রিন্দা লাইব্রেরি এন্দ প্রিজাবেসন ফাওন্দেসন, মণিপুর; অশাংবা কম্ম্যুনিকেসন; ইম্ফাল অমসুং এ পি দি সি, উরিপোকনচিংবা পনবা য়াই। খোরিরোলগী থৌরম পাঙথোক্তুনা অমসুং অনৌবা লাইরিক ফোঙদোক্তুনা অনৌবা চহীসিদা থৌদাং পাঙথোকপা হৌখ্রবা অশাংবা কম্ম্যুনিকেসন, ইম্ফালগী মরমদা অতেনবা পাউদম অমত্তং থমজরি।

ইনফোর্মেসন, এদ্যুকেসন অমসুং কম্ম্যুনিকেসনদা য়ূম্ফম ওইরগা লিংখৎখিবা অশাংবা কম্ম্যুনিকেসন ইম্ফালগী মপুং ওইবা পান্দমদি লাইরিক ফোঙবা, ওদিও-ভিদিওগী খূৎথাঙদা দোক্যুমেন্টেসন তৌবা অসিনি। কুমজা ২০০১ দা লিংখৎখিবা কম্ম্যুনিকেসন অসিনা হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী অইবা অমসুং মপানগী অইবা খরগী য়াওনা লাইরিক ৪৮ পুথোকখ্রে। লোয়ননা কম্ম্যুনিকেসন অসিনা দি দি কে, ইম্ফালগী কমিসন প্রোগ্রাম ওইনা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অহুমসু পুথোকখ্রে। মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা মীতৈগী চীনবুং ঈশৈশিং দোক্যুমেন্টেসন তৌখ্রে। ওল ইন্দিয়া রেডিও, ন্যু দিল্লিগী মখাদা মণিপুরগী ফুঙ্গা ৱারী ইপিসোদ তরেৎ থোক্লা পুথোকখ্রে, অইবনা বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মানি। চৎলিবা থা অসিগী ২০ অমসুং ২১ দা লাইরিক ফোঙবা অমসুং খোরিরোলগী খন্ন-নৈনবা মীফম পাঙথোক্তুনা পব্লিকেসনগী মপাঙ্গল অমসুং তৌবা ঙম্বা মতিক-মঙাল অমুক হন্না উৎখ্রে। অহানবা নুমিৎ ২০/১/২০১৬ তা ওইনাম কুবেরনা ইবা শৈরেং লাইরিক *পুন্সি পাউখোং ফোঙসি লাউ* ফোঙদোকখি। অইবা অসি মতম কুইনা ফিজিক্সকী ওজা ওইদুনা মহৈরোয় কয়াবু লমজিংলকখ্রবা মীশক্লি। মমাঙদসু অইবা অসিগী *পুন্সি লম্বী চৎপদা* মিংথোনবা ৱারীমচাগী লাইরিক অমা ফোঙখ্রে।




২১/১/২০১৬ তা পাঙথোকখিবা Creation Myths in old Manipuri Manuscripts হায়বা লিটরেরি ফোরমগী সোভেনর ফোঙবা

দেব লিটরেচর সেন্টরদা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা প্রো. নাওরেম খগেন্দ্র, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ভাইস চান্সেলরনা চীফ গেষ্ট ওইখি। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা প্রো. থোইদিংজম তোম্বীনা প্রসিদেন্ট অমসুং লোংজম জয়চন্দ্র, রেজিষ্টার, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর অমসুং প্রো. পোলেম নবচন্দ্র, প্রসিদেন্ট নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি অনীনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

অনীশুবা নুমিৎ তাং ২১/১/২০১৬ তা কম্ম্যুনিকেসন অসিনা সাহিত্য একাদেমীগা খূৎশম্নদুনা Creation Myths in old Manipuri Manuscripts হায়বদি অরিবা মণিপুরী খূৎইশিংদা লৈশেম নোংশেম হায়বা হীরমসিদা লিটরেরি ফোরম অমা পাঙথোকখি। ফোরম অসিগী অহৌবদা নূংলেপ্পম শ্যামকহ্নাইগী *ইম্ফালদা মারৱারিশিংগী খুন্দারোল অমদি অতৈ ৱারেংশিং* অমসুং ত্রিপুরাদগী খোইস্নাম মংগলনা খোমজিনবা *মালেমগী লৈমায়দা মণিপুরীশিং* লাইরিক অনী অসি ফোঙদোকখি। প্রো. হুইরেম বিহারী সিংহ, কনভেনর মণিপুরী লেঙ্গোইজ এদভাইজরি বোর্দ, সাহিত্য একাদেমী অমসুং অশাবংবা কম্ম্যুনিকেসনগী এডভাইজরসু ওইরিবা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমি, ইম্ফালগী দাইরেক্টর এল উপেন্দ্রো শর্ম্ম অনীনা লাইরিক অনী অদু ফোঙদোল্লুবা মতুংদা লিটরেরি ফোরমগী শরুক মখা চত্থখি। ফোরম অদুদা ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্র, লোইতোংবম বীরজিতা দেবী, চনম্বম হেমচন্দ্র অমসুং মাখোনমনি মোংশাবা স্কোলর মরিনা অরিবা মণিপুরী খূৎইশিংদা লৈরিবা লৈশেম নোংশেমগী মশক হায়বসিদা মশা মশাগী চে পাথোক্লখি। থৌরম অসি সাহিত্য একাদেমীগী রিজনেল ওফিস কোলকতাগী এসিষ্টেন্ট এডিটর গৌতম প্বালনা তরাম্না ওকপগী ৱারোল পীদুনা হৌদোকখি।

খোঙহৌ ফজনা হৌরিবা পব্লিসর/কম্ম্যুনিকেসন অসি তুংকোইনা মণিপুরী খোরিরোলগী পুক্কৈদা অনৌ অনৌবা লাইরিক কয়া হাপচিনবা ঙম্বা ওইসনু। কম্ম্যুনিকেসন্না থল্লিবা পান্দম মপুং ফানা চঙশিনবা হায়বসি তরাই তরাইবা খোঙথাং অমদি নৎতে। লাইরিক ফোঙনা ফোঙনা মীয়ামদা লাইরিক পানিংহন্নবা অমসুং নৈননিংহন্নবা থবক থৌওংসু মতম মতমগী লৌখৎপা চুমগনি। নৎত্রবদি তুংগী লাইবক্কীদমক নুংশা থীদবা ঙমদে। মসিমক্তি থোক্তবা ওইসনু। মীয়াম্নসু মশীং য়ামজদ্রবা পব্লিসরশিংবু অফবা লাইরিক কয়া পুথোরক্নবগী থৌইনশিন পীফম থোকই।

ৱারীমচা

# ইনে চাউবী নঙ হিংখোকো

সোরোক নোরেন

**"পাপপু** কিব্রনে?"

ইনে চাউবীনা চেঙ খপ্ন-খপ্না রাধাদা হংই।

"করি ৱানোনে ইনে।"

রাধাসু তপ্লপ খুম্লকই।

"পাপ পুইন্যগা হায়দুদি আ মমাঙঙৈগী ৱানি, হৌজিক্কী য়ুগসিদবু কদাইদগী পাপ পুইন্যনো। লৈত্রে লৈত্রে ইবেম্মা ঐনা হায়রিসি ইল্লু। মদুনা নঙগী তুংগী খুদোংচাবা শোইদনা ফংগনি। হায়সু হায়ৱানি রাধা, নঙগী ফীভমসিনা মিলসিদা নপুন্সি হিংবসে ইনে ওন্থোক্লা য়েংবা নুংঙাইখিদ্রে।"

ইনে চাউবীগী ৱাসিগী অর্থ রাধা খঙদবগুম তৌই। মতৎ মতৎ থাগৎপোই থাদবোই।

"করি তৌসি হায়বনো ইনে - ? ঐগীদি করবার তৌনবা শেলেপ পুথোক্লিঙাইসু লৈতে।"

"শেল্লেপ চঙবা করবার খূৎতৌ নৎতেনে অপঙবী। তরু তনান্নদা লৈয়ু। ইনেনা ফনবা শিনগনি, নঙসিদি ওন্থোক্লা পঙখ্রে। হৌজিক্কী চেঙবু লৈহৌরবরা - করিনোনে রাধা নঙগী নওং নতৌদুনা করম্না হিংগদৌরিবনো অসুক পাংদবসিবো হৈ অপঙবী নফীদো হাইদোকউনেসে চেঙসি হৈজিনবীগে। খজিক্তদি মীরক-নারক খঙউ কৈদৌরগে। এঙ্গাংদি লৈহৌরব্রা?"

"য়ারনি ইনে, ঙরাং নুমিদাংগী হঙ্গাম মতোন খরা লৈহৌই।"

"ফরে ফরে চৎলো। হৈ তরু তনান্না লৈরম্মু হোরেল নুমিদাং ইনে চৎথোরক্কে।"

ইনেচাউবীনা হৈজিনবীরকপা চেঙ খরদু পুরগা রাধা তপ্ন-তপ্না ময়ূম মাইকৈ তল্লকই। চৎন-চৎনা খল্লি রাধা, ইনেচাউবীগী পাউখোঙ ফোঙবা ঙম্বরা হায়দুনা। অদুবু পীক্লবা মকোক্লা লাম্বা ফঙজদে। মমিৎতা উরিবা হায়ববু শুপ্নগী নঙ্গন্দা পোরিবা মচা অদুতনি।

চাক থোংনা থোংনসু খল্লি রাধা করি পাউখোঙবু ওইরিগবা। হোরেল নুমিদাং লাকপদদি হেক্তা হংলগে খল্লি ইচঙ থৌনা। ঙম্বু ঙমগদ্রা ঙমবু ঙল্লোইদ্রা। খনবমখৈ খল্লুরগা রাধা মচাবু অরৈবা খরদুনা পীজরগা তূমহনখ্রে। মচা শুম্বদা মাসু ঙাইহাক য়াওরুরমাল্লে। হৌগৎলকপদা নুমিৎ তানীং তামাং তৌরম্বা উবদা ইপা পাখৎলি। নুংতিগী তৌফম থোকপা ধূপ থাউমৈ থাদুনা ঈশ্বরগী মফমদা মঙ্গল নীজৈ, মীনোক চঙদনা পুন্সি হিংজবা।

'তরু তনান্না লৈরমউ হোরেল নুমিদাং লাক্কনি' নীংশিংদবা নত্তে রাধা ইনে চাউবীগী ৱাহৈদো। ইমুং মনুং লোইশিল্লি য়াম্নমক নৎত্রবসু খরমখৈদি কেজদুনা ইনেচাউবী লাকপা ঙাইদুনা লৈ। তৌগদবা থবক্তি পুন্সি চুপ্পনি খনব্রা করিনো, লায়রবা ঐখোয়গীদি। লেপ্পা লৈতে লোইশিনবগী।

তাল্লক্তুদা কার অমা থোঙ্গাল লোমদা হেক থৌজিল্লকই। মতম কুইনা থাসিতা ওইদুনা লাক্লবা রাধাগী ইমুং ঙসিদি নীনি পানবা থাজগী থোকফম ওইরব্রা?

ইনেচাউবী মশা নানবা মীয়াই চল্লবা নুপা অমগা কুমথরকই কারদুদগী। মীতেক মীরৌ খঙবী ইনে চাউবীনি। লোইনরক্লিবা নুপাদুবু ৱারৌদনবা থেল্লম্লগা ইমুংদা প্রপ-প্রপ চঙখি ইনেচাউবী। মানা নীংলিবা অদুগা রাধানা তৌরল্লিবা মতৌদুগা পুমখেন খেন্নরম্বা উবদা ইনেচাউবীদো ইফিং ফিংনা, "করিনোনে রাধা নঙনা তৌরিবসিবো। নঙগী চহী মতাংসিদা ফিদোম চীংখৎতুনা শেৎপা হৌনবরনে? সে খোইখা শেৎথৌনে নঙবু।"

হায়জবদি ঙমদে হংবসু কিজৈ শকখঙদবা নুপাদুগী মমাঙদা শাউহৎপীরক্কদরা চীংনবনা। ইনেচাউবীনা তৌবা খুদিং হোই মাই হায়দনা ইনবা তাই রাধা।

পুন্সিবো ৱাদুনতা ঙাক লৈবা য়াবরো। শিখ্রবদি শিখ্রে। লৈহৌরিবা ঐখোয়দি নুংঙাইনবা হোৎনবা তাই খল্লবরা করিনো রাধাদো হন্দক মরক্তি পুন্সিগী মরেক মহাও খরা থোকপগুম তৌই। ইনেচাউবীনা করি মতেংবু পীবিরবা। নোংমা নুমিদাং অমা চীক্লা উনখিবদুনা রাধাগী পুন্সিদা করি করম্বা খুদোংচাবা ফংহনখ্রবা? পূম্নমক পুন্সি ঈচেলনি।

মপানা চহী অনী মপুং ফাদনা হুন্দোক্লম্বনি অঙাং অদু অদুবু ঙসিদি শারেপ ফারক্লে। রাধানা মমা মপা শক্লা য়োক্লক্লবা মচানি। মীৎকুপ অমত্তা উদবদা লৈবা ঙমজদবা রাধাদো ঙসিদি থা অমা খরা হেল্লক্লে মচাবু মতোমতা হুন্দোক্লমদুনা দিল্লি পাংখিবা। প্রাইম মিনিষ্টর উন্ননি হায়। মণিপুরদা থল্লিবা আর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ট লৌথোকপীয়ু, হা অদু তৌবীয়ু অদা তৌবীয়ু দাবী ময়াম অমনি পুখ্রিবা। নুপীগী লূপ অমগী সেক্রেটরি হাপ্পীরে রাধাদো। মচা অপীশক চেন্দ্রে, থবক ইনখাংসে মানা খরা চেন্থোক চেনশিন ঙমগনি হায়দুনা। তৌববুদি ইথোক ইশিন খরা মখৈবুদি খঙজবনি রাধাদো। মরোল মরী অমা থোকপসু নত্তা করি করম তৌনা প্রাইম মিনিষ্টর উনগদৌরিবা।

অদুবু মমাঙ চহীদসু অদুম চৎলুই দিল্লিদো। নুপা অমতসু য়াওখিদে। টিকেট ককথোক ককশিন লৈফম চাফম করম হায়না তৌরিবা। তেক্তা কায়দনা অদুম হল্লকখি। অদুদি লাইরদনা লৈরক্লিবা পোৎয়াম ঙমদি ঙমই মৈতৈ নুপীশিংসে।

ঙসি মাপলনি পুরা ফারে দিল্লিগী মণিপুর ভাবন্দা কা অনী লৌদুনা লৈরকপা মখোয় তরাতরেৎনা। হনবদি নহান্না হনবা য়ারবনি অদুবু আসাম বন্দ তৌরি হায়দুনা পম্থদুনা লৈরকপনি। য়াওরকপা শেল মখৈসু অসুম লোইশিন্নরক মমৈদদি হৈ শিংবা য়োংনা মমৈ চপ্পী হায়বদু নুপী মরুপতা তাগদৌরি।

তৌগে হায়দুনা তৌরবদা ভাবন্দা লৈরিবা মৈতৈ মচা খুদিংদগী শেল খায়গৎপা নত্তনা উপায় লৈরক্ত্রে। তান্না চারিবসু সরকার কায়থোক কাইশিনগী অয়াম্বা মিনিষ্টর এম এল এ মখৈদি ভাবন্দা কেম্প তৌরকপা ফম্না কুইরে। খঙনা চান্নবা মিনিষ্টর য়াওব্রা য়েংউসি হায়দুনা য়া য়া লাংনরক্লে।

খঙনবা খঙনদবা হেক্তা চঙলগা উনরগা লোইরে লৈবাক্কী মপী মপানি করিনো অমনা দঙ দঙ হেক্তা হায়রকই। হোইনে চঙববুদি চঙগনি অদুদা কনা কনানো লাক্লিবদো খঙদোকপদি য়াদবরো অমসু তপ্নপ্পা খুম্লকই।

য়াই কৈদৌরগে, অদুবু থিনথরগুমসি হায়বগী ৱাদনি। লোইবা নাইদনা শাংথনরকই। অমনা অমবু করিসু উশিৎনদে। ঐনা হেল্লে খন্দুনা চৎনরিবা তাইবঙসিদা নুপী লূপকী খূৎপুসিসু লম্পাক/লম্পাক্লি।

মরক থৎনা রাধানা শঙদাইরকই,

"হোই হোই সে য়ারে।"

চীনফেল ফবা তেথ নৌথবা হৈগদবা মৌ নহা তরুক/তরেৎ খনগৎলগা চঙবা হায়দুনা লেপ্পরে। মপুং ওইবা ৱাবুদি রাধানা ঙাঙনজরবসু হায়দুনা মিনিষ্টরশিংগী কাগী নম্বর খঙদোক্লদুনা চঙলুবদদি ময়াম ৱা ৱা ৱারী শাবা য়াররোই হায়দুনা তান্থোরক্লে।

ঙাইহাক লৈরগা রাধাবু মতোমতা মী থাদুনা কৌহল্লরে। নুমিৎ খরনি লৈরগদি নুপী লূপতো ইম্ফাল য়ৌরক্লে হায়না তাই। দিল্লিদগী মণিপুর য়ৌবা ফাওবগী মখাদা চৎনবগী ভারা কোন্নদে তৌনহৌবদো গুৱাহাটিদগী ইম্ফাল ফাওবা প্লেনদবু পাইরকই হায়দা ॥

নীংশিং ৱারী

# অহিং অমগী ঈশিং-ঈচাও



বেমথোই

**কুমজা** ২০১২ জুন থাগী তাং ২৬, ইঙেনগী তরেৎনি পানবা লৈপাকপোকপা নুমিৎনি। মতমদো নুংঙাইনা তুমখুল তাল্লিবা মতমনি। অহিং তাংলৌ অথেংবদা, ও! পা-পা হৌগৎলো, মী চেন্নরে... ও পা-পা... কৌরকই। মদুনা ঐনা ৱাখল চরাংনদনা হৌগৎলগা পাপাদা, পা-পা হৌগৎলো ঐখোয় তাচৌ মাল্লি কৌরিসে হায়দুনা পাপাবু হৌদোক্লমই। ঐনা থোঙ হাংলে, পাপাসু হৌগৎলে।

" কৈদৌরে?"

তাচৌনা ঈফিং-ফিংনা, "জিরি তুরেল পাথরে! দোরোমদো ঈশিং কন্না চেনশিল্লক্লে, ঐখোয়সু মফমসি থাদোক্তুনা য়াম্না থুনা চেলহৌরসি পাপা ঐ ইমিৎনা উরক্লে।"

ঐখোয় পাপানা, "হৌগৎনরো ইচাশা ইমৌশা" হায়দুনা লাওরকই। অদুগা পাপানা তাচৌদা মৈ অমা পীরগা ককাহোয়সু হৌদোক্লু হায়রক্লে। পাপাগী ৱাহৈশিং তারগা তাচৌসু চৎখ্রে।

ইরাং লাঙই। ঐখোয় ইমুংতা নত্তে, জিরি পুম্বা মাইকৈ মরিদা ঈশিং চেনশিল্লকপগী মখোল ,শা-ষন খোংবগী,অঙাং কপ্নবগী, মীৎকপ মীরাওখোলতনা লক্ষিপুর ৱার্ড নম্বর ৯ (জিরিবাম) না কোনবা লম পুমনমক মীৎকুপ খরদা পুম্লিল নিল্লম্মী। অকিবা তুজুংবনা ইশাসে পোথাফম খঙলমদে। মমাঙদা অমুক্তা জিরিদা থোকখিদ্রিবা থৌদোক্লি। ইফিং ফিংনৈ, ৱা অমত্তা ঙাংনদে, অমনা অমগা য়েংনদে । মশা-মশাগী চেন্নবগী শেম-শানৈ।

ঐখোয় পাপানা হায়রকই, "ইচাশা, নখোয় কাকাহোয়, মামতোনহোয়গা পুন্না ষনশিংদু পুরগা চন্দ্রপুরগী চীংয়াইদা হান্না পুনবীরুচো। সে সে নচিন-ননাউগী লুপা ২০০/২০০ সে পুখো, ঐখোয় থুনা লাক্কে।" অসি হায়দুনা তাচৌগা তায়াইগা মখোয় হান্না থাদোকখি।

য়ুমদা ঐখোয়না কাংথোলদগী ফিরোল লৌথোল্লগা কাংথোল মথক্তা টেবল থাংগৎলগা ফিরোল, কোল-লিক, ইপু-ৱাপু থাংগৎতুনা ফম্পাক মথক্তসু লাইরিক লাইসু অমদি অতৈ মরু ওইবা পোৎচৈ খরসু থমই। থক্নদবা ঈশিং, থোং-থাক্লবা পোৎচৈ, গ্যাস সিলেন্দরনচিংবা মফম চান-চানা থমই। মমাঙ শঙ্গোইদা লৈবা ফৌ- চেং, হৱাই, য়ুবী, ক্বা মরু মনানচিংবশিংদু ৱাংনা থাংগৎলে। খুদক্তা তাচৌহোইনা সুমাংদা লৈবা দোলু ৱাসু থৌরিনা চেৎনা পুন্দুনা বুংগা শাদুনা থল্লে। ঐখোয় য়ুমগী মমাংদা লৈবা ৱাটর সপ্লাইগী লম্বী পাথবগী ইরাওখোলতনা "ৱা- ৱা" হায়দুনা ঈশিংনা তানশিল্লক্লমই। " এ! এ! ঈশিংনা শুমাং চংলক-এ, ঐখোয় য়াম্না থুনা ঈশিং থুল্লরোইদবা চন্দ্রপুরদা চৎলসি" হায়দুনা পাপানা মমাং শঙ্গোইদগী লাওরকই। ঐনা য়ুমলাই লাইনিংথৌ লৈমরেনগী মমাংদা তাইরেল পোংফাই খিক্তোক্লগা ধূপ-থাউমৈ থাদুনা ঐখোয় লোইনা অশোই অঙাম থোক্তনবা খুরুমজদুনা থৌনিজরে।

য়ুমজাউ অমদি কোৎশং শো- লোনশিনলগা কাকাহোয়, মামতোনহোয় কৌদুনা পুন্না মাইকৈ ঙাকপা ঈশ্বরবু খুরুমজরগা য়ুমদগী খা-পাংবা লম্বীদা চত্তুনা হৌজিক্কী নেম্নেল হায়ৱে ৩৯ তাবা লম্বী চৎলগা মদুদগী খা পাংবদা লৈবা চন্দ্রপুরগী মান্দোপ তান্না চৎলি। মদুদা পাপানা পল্লীবা ঐখোয়গী হুই (কুতুবী)দু ঐনা নুংঙাইতদুনা পল্লগা চৎলিবা লম্বীদুদা ঐনা কোয়েং কোয়েং য়েংবদা তাচৌখোয়না পুখিবা শা-ষণশিংদু মথং মথং ষণনা ষণ, হমেংনা হামেং, ইরোইনা ইরোই পরেং লেংদুনা চপ-চপ লেপ্লগা ঐখোয়সিবু হিংগদ্রা? শিরদ্রা? হায়দুনা হংলকপগী মওংদু উবদা ঐ খোঙ থাংদুনা চৎপা ঙমখিদে। পাপানা কৌরকপদগী লেপ্লম্বদগী অমুক চৎতুনা চন্দ্রপুরগী বামোন মান্দোপ য়ৌরগা ঐখোয়না পুরকপা ফক তরামাথোইদু থারে। পোৎয়োম চয়োম পুম্নমক থল্লে, লেমটন অনী ৱাংনা থানগৎলে। ঐখোয় ময়ামদু নুংশা শ্বর হোন্দোক্কে ! হিংলগদবোই খন্নে।

ঙাইহাক লৈরগা য়ুম থংনবগী লৈকাইগী মৈতৈ, মৈতে পাঙল, চীংমী ইচিন-ইনাউ, ময়াং, নেপালী, খাসীনচিংবা তোঙান-তোঙানবা জারিশিংসিনা মান্দোপ্তু পুমথন থল্লরে। মফমদুদা কোন্না লাকপশিংদি য়েংদুনা হনখিবসু য়াওদবা নত্তে।

মান্দোপ মনাক্তা য়ূম্বু ওইনা লৈজরিবা থোঙামগী অপাবীনা হুইনা গৌ- গৌ য়াম্না খোংবগী মখোল অমদি মীয়াম তিনবগী খোঞ্জেল তাবদা তুম্বা য়াদ্রদুনা ইফিং ফিংনা চেন্থোক্লগা, "কৈদৌরে কৈদৌরে" হায়দুনা হংঙ্লরে। ঐখোয় পাপানা খুম্মী, "ইবাই ঐখোয় ময়ামসে জিরি তুরেল পাথদুনা ঐখোয় শুমাংদা ঈশিং চেনশিল্লকপদগী মফমসিদা লাকপনি। ইবাইখোইবু লেপ্তুনা কৌজৈ, তাদ্রবদুদা অদুম চংদুনা লৈরিবসিনি, উপাই লৈতে ইবাই...।" থোঙাম অপাবীনসু খুম্লকই, "ঐখোয়দি তা লাক্তেনে, হুইনা খোংবদুদা লাকপনি।" অসি হায়রল্লগা মাসু ময়ূমদা হনখি।

অহল ওইরবী থোঙাম ওংবী ভানুনসু মখূৎতা মৈরা অমা পাইদুনা মান্দোপ তান্না তপ্লী-তপ্লী চংলক্তুনা, "কনা কনানো? নখোয় কৈদৌরে ?" হায়দুনা হংলকই । মদুদা ঐখোয় পাপানা ৱারীপুম্বা লিখি। অহল ওইরবী ইবোক্তুনা মফমদুদা লৈবা নুঙাইররোই অতোপ্পসু নত্তে হায়দুনা মখোয়গী ময়ূমদা ঐখোয় ইমুং মনুং পুম্নমক চৎলি।

ইবোকহোয়গী ময়ূমদু য়ৌরগা ঙাইহাক পোত্থানরে। খরা অমনা অহিংদুদা ঈশিং ঈচাও য়েংউসি হায়দুনা চৎনবদু উরুরগা ঐদি চৎনিংবনা তৌফম খঙখিদে। অদুবু য়াওবদি ফংখিদে। পোৎ-চৈ লোইশনবা অমদি চান্নবগী থৌরাং তৌবদুদা ঐসু য়াওই অদুদা ইবোক্তুনা হায়রকই,"বেম নংসু ঈশিং চাওবা য়েংনিংলবদি য়েংউচো।" হায়রকপদা ঐঙোন্দদি হরাউবনা -ইরুজনিংবগা থোঙ্গ্বা তেকপগা চপ মান্নখ্রে। জিরিগী বাবুপরাদগী কিলোমিটর ২ রোম নোংপোক লোমদা চৎখৎলগা লৈবা অদুগা লমলোং কৈথেলদগীদি অৱাং থংবা মাইকৈ লক্ষিমপুর অমদি চন্দ্রপুর (জিরিবাম)গী লৌবুক পুম্বা ঈশিংতনা ঈপাক ওইরল্লে। য়ূম শঙ্গোয় অমতা উদ্রে। ঐদি পুমঙক ঙকই, ইঙাও ঙাওই । নুংশা স্বর মপী হোল্লী। ঐনা ঐখোয়গী অকোইদবা আই সি দি ৱাটর সপ্লাই সবোক, দোরোম লম্পাক পুম্নমক তুংদা খঙহৌনবা অমদি নীংশিংনবা হায়দুনা ফোটো নমহৌই।

জিরি পুম্বা লম্বীদা থকপা চাবা,তুম্বা হিপ্পা খঙদবমখৈ অমুক্তা থোকখিদ্রিবা ঈশিং ঈচাওদু য়েংবা নুপা- নুপী, অহল, অঙাং খাক্তবমখৈ লাকপা উবদা মতমদু অহিংলা নুংথিল্লা হায়বদু মশক খঙখিদ্রে। ঈশিং চাওবা য়েংবদা থোংদগী নান্থদুনা ঈশিংদা তাখিবা, লম্বীদগী নান্থবদগী তাখিবা, অমগা-অমগা মাঙনবসু কয়ানি। ঐঙোন্দদি নুংঙাইবসু অৱাবসু অনীমক ফাওখি। অসুম্না ঐনা লৈরিবা য়ূমদুদা অমুক হল্লকখি।

অহিং অমগী ঈশিং ঈচাওনা থেংনরিবা লৈপাক প্রজা মীয়ামদা অৱা নুংঙাইগী মখল মথেল অমা, অৱাবা তারবা মতমদা মীগী মরিন খঙবা ঙম্মী। চৎথোক চৎশিনগী খুদোংচাদবগী অৱাবা, নোংমগী খূৎশুমল তানজবা মীওইশিংগী চৈথেং, য়ূম- কৈ তেকখিবগী তেংথাখোল, পোৎ- চৈ হোন্দোল্লগা লৌথোকপা ঙমহৌদবশিংগী অৱাবা কয়া ...। অৱাবা ময়ামসি কম্নাদা করম্না তেংথারুগনি? শেৎনবা য়েংঙি কদাই, অয়ুক নুমিদাংগী চারাগী অৱাবা ,ইমুং অমনা ইমুং অমদা য়েংবা, পীবা, উন্নদবগী অৱাবা, ইমুং অমদনা অশোন অনাগী অৱাবা, হনুবা হনুবী লৈবগী অৱাবা, শোইনাইবা য়াওবগী অৱাবা পুম্নমকসে ঈশ্বর মাগী খূৎশেমনি। কম্নাদা করি হায়রুনি, খাঙবা তাবনি। খাঙখি মতমদুদসু॥

নোবেল লোরেট

# সেলমা লগেরলফ

## খোরিরোলগী অহানবা নুপী নোবেল লোরেট



লমাবম লিলি

**নোবেল কমিটিগী মীওই কাঙলূপ অমনদি সেলমাবু নুংশিবীরমদে ... একাদেমীগী এদিটরনা য়াম্না শাথিনা পেন্দবগা লোয়ননা সেলমাবু এৱার্দ পীরবদি মহাক ফম থাদোক্তুনা ইটালিদা চৎখিনি হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু অসিগুম্বা অয়েৎপশিংনা নোবেল লোরেট ওইবদা অপনবা পীবদি ঙমখিদে।**

***In** appreciation of the lofty idealism, vivid imagination and spiritual perception that characterize her writings*

(নোবেল প্রাইজ পীবগী ৱারোল)

খোরিরোন্দা অহানবা ওইনা নোবেল প্রাইজ ফংখিবী নুপীদি সেলমা লগেরফনি। কুমজা ১৯০৯ দা মহাক্না প্রাইজ অসি ফংখি। কুমজা ১৮৫৮ গী নবেম্বর ২০ দা খা সুইদেনগী ভার্নল্যান্দতা মহাক পোকখি। অপোকপা এরিক গুস্তাভ লগেরলফ আর্মি ওফিসার অমনি। সেলমা, চহী অহুম শুরকপদা পেরালাইসিসনা পঙথখি। মরমসিনা মহাক্কী অঙাং ওইরিঙৈদগী মপুং মরৈ ফারকপা মতম ফাওবদি ইমুংগী চেকপন মরিগী মনুংদা ৱারেং শৈরেংগী লাইরিক কয়া পাদুনা মতম লেনখি। মমা, মবোক অমসুং মাবু সেবা তৌখিবী কয়াসারগী মফমদগী ৱারী কয়াসু তাখি। ৱারী তাবগী হৈনবী অদুনা তুংগী পুন্সিদা ৱারী ইনবগী মচাক থিবগী মথৌ তারমদে। ষ্টোকহোলমগী রয়্যাল ৱিমেন্স সুপিরিয়র ট্রেনিংদগী কুমজা ১৮৮২ দা মায়পাক্লকখি। চহীসিমক্তদা মপাবুংনা লৈখিদবগা লোয়ননা য়ূমগী সম্পতিশিংসু নাম্থোকখি। সংসারগী অৱা পোৎলুম কয়া মায়োক্লদুনা মহৈশঙ অমদা থবক তৌখি। মতম খরগী মতুংদা মহাক্কী মনাউনুপীনা হায়জরবদা থা/থাগী সুইদিশ চেফোঙ *ইজন* গী ৱারীমচা চাংয়েংনবদা মশানা ইজবা ৱারীমচা থাখি। মহাক্না অহানবা মনা ফংলকপদা মপূক্লিং হেন্না থৌগৎপা ওইখি। মসিদগী চেফোঙদুগী এডিটরনা হায়জরকপদগী চাং নাইনা ইবা হৌখি। কুমজা ১৮৯১ দা মহাক্কী অহানবা উপন্যাস *The Story of Gosta Berling* ফোঙখি।

মহাক্কী খোরিরোনগী মচলদি পোক্লফম লমদম অমসুং লমদমদুগী মীচমশিংগী পুন্সিনি। কুমজা ১৮৮৪ দা মহাক্কী অনীশুবা উপন্যাস *Invisible Links* ফোঙখি। মতমসিদা অইবী সোফি আলকেনগসু খঙনরকখি। পুন্সিগী অরোইবা ফাউবা মরুপ ওইমিন্নখি। ফিজিকেলি হেন্দিকেপ অমা ওইদুনসু ইটালিদা চৎতুনা মাগী উপন্যাস *The Miracles of Antichrist* (কুমজা ১৮৯৮) কী ৱামচং খোমজিনখি। পেলেষ্টাইন অমসুং ইজিপ্ট কোমরুরগা *Jerusalem* অমসুং *I Dalarne* ইখি। *The Wonderful Adventures of Nils* সেলমাগী অফাউবা উপন্যাসনি। উপন্যাস অসি মহাক্কী পোইটিক সেন্সিব্লিটি অমসুং ক্রিয়েটিভ আর্টকী মমি তাই।

ইবা খোৎপদগী ফংলকপা শেল অদুনা মপাগী সম্পতিশিংবু অমুক ফংজবা ঙমখি। অইবী অসি পুন্সিদা অৱা অনং কয়াবু তুমিন্না খাঙজখি। লায়েংবগীদমক্তা ষ্টোকহোলম চৎলুবদা সেলমাগী মবুং ড্যানিয়েলগী ক্লাস ফেলো ডাক্টর অমগা খঙনখি। নহা ওইরিবা ডাক্টরসিবু সেলমানা থম্মোয় শেংনা নুংশিজখি। অদুবু ডাক্টরদুনদি থম্মোয়গী অয়াবা পীখিদে। পুন্সিগী অহানবা নুংশিববু মায়থিরবসু খোইথুম্লবা স্মৃতি অদুগা পুন্সি চুপ্পা লেনখি। মহাক ময়ূম পানখিদে মহাক্কী আত্মজীবনিদসু মহাক্কী পুন্সিগী অঙকপা অনুভবসিগী মরমদা ইরমখি। মহাক্না নোবেল এৱার্দি ওইবগী মমাঙদা কবি সুইর্নবান, আগষ্ট ষ্ট্রিন্দবার্গ, পল বগেট, আনাতোল ফ্রান্স মেতার লিংকনচিংবা অইবী ২১ গী মমিং খনখি। সুইদিশ একাদেমীগী এদিটর মশামক্না সেলমাগী মায়োক্তা রিপোর্ট পীশিনখি। অদুম ওইনমক খনগৎখিবা অইবা অইবীশিংদুগী খূৎইশিংদুগী মথক্তা রিপোর্ট তৌরবা তুংদা একাদেমীনা অরোইবা ৱারেপ লৌখি। নোবেল কমিটিগী চীফ অদুনা সেলমাগী মায়োক্তা লেপ্লবসু মশীং হেন্না ভোট ফংখিদুনা এৱার্দ অসি লৌখিবনি।

খোরিরোনগী অতিয়াগী লংলবা থৱান্মিচাক সেলমাগী মীচংদা জর্মন, ফ্রান্স অমসুং অতৈ লমদগীসু নোবেল কমিটিনা অয়াবা ফংখি। অদুবু নোবেল কমিটিগী মীওই কাঙলূপ অমনদি সেলমাবু নুংশিবীরমদে মরমদি কুমজা ১৯০১ দা তোলষ্টোয়বু নোবেল প্রাইজ পীখিদবৈ নোবেল কমিটিদা থাখিবা প্রোটেষ্ট চে অদুদা মহাক্না হেক্তা সহি তৌখিবগীনি। একাদেমীগী এদিটরনা য়াম্না শাথিনা পেন্দবগা লোয়ননা সেলমাবু এৱার্দ পীরবদি মহাক ফম থাদোক্তুনা ইটালিদা চৎখিনি হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু অসিগুম্বা অয়েৎপশিংনা নোবেল লোরেট ওইবদা অপনবা পীবদি ঙমখিদে।

কুমজা ১৯১৪ দা মহাক নোবেল কমিটিগী মেম্বরসু ওইখি। এৱার্দ লৌবা চৎপা নুমিৎতা ট্রেনদা চৎলিঙৈদা ট্রেনগী কা মনুংদা মপাবু নক্লা উবগুম তৌখি। এৱার্দ লৌগদবা অসুক নুংঙাইখ্রবা মতমসিদা মপানা হিংলিঙৈদা খঙখিদবসিদা শাথিনা পেন্দবা ফাউখি। অসুম্না মঙ ওই করি ওই লৈবা মতমদুদা মপানা মাবু থৌগৎপীবগী ৱাহৈশিংদু তশেংনা তাবা ফংখি। মপাগী হরাউবগী পীরাংনা মাবু হেন্না ইথিল পীখি। অঙকপা ইহুল অসি মহাক্না এৱার্দ লৌবা নুমিৎতা মাগী ৱাহৈদা ফোঙদোকখি। কুমজা ১৯৪০ গী মার্চ ১৬, চহী ৮১ দা অইবী অসি মাগী আদর্শ ওইখিবা মপাগী মনাক্তা চৎখি ॥